# নোংলৈ নুংশিৎনা ত্রিপুরাদা অকনবা চৈথেং পীখ্রে

অগরটালা, মার্চ ৩১ (এজেন্সী) :

ত্রিপুরাগী মনুং চনবা ধলাই দিষ্ট্রিক্টতা ঙরাং অহিং অখাক অরাও য়াওনা চুখিবা নোংনা মীওই ১,০০০ রোম হেনবদা চৈথেং পীখ্রে হায়রি।

ধলাই দিষ্ট্রিক্টকী কমলপুর সব দিভিজনদা নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা মরম ওইরগা য়ুম ১০ হেন্না অমাং অতা থোকহনখি। দিষ্ট্রিক্ট অদুমক্কী অসারন্বারি জগাদসু নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা ইমুং ১৯ গী মীওইশিংগী লৈফম লৈহনখিদ্রে হায়রি।

নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা মরম ওইরগা নাকল্দা হৌরন্বা উ পান্বীশিং অমদি ইলেক্ট্রিক পোষ্টশিং তেক্নুনা তাশিল্লকপদগী য়ুমশিং অদু অমাং অতা থোকখিবনি। থৌদোক অদুগী পাউ হেক ফংবগা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেটরশিং মফমদুদা চঙশিন্দুনা লন্বীদা ফৈজিন্দুনা লৈরিবা উঅমদি অতোপ্পা পোৎলমশিং শেংদোকপগী থবক চথুবা হৌখ্রে।

অমরোমদা নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা মরম ওইরগা কমলপুর সব দিভিজনগী মফম খরদি অতোপ্পা মফমশিংগা পাউ ফানবা ঙমদনা লৈরি। লন্বীদা উপান্বীশিং কা হেন্না তেক্নুনা তাশিনখিবা অমদি মোবাইল টৱারশিং মথৌ তৌরক্তবদগী পাউ ফাওনবা ঙমখিদবনি। হায়রিবা মফমশিং অসিদা ইলেক্ট্রিকী খুদোংচাবা খুদক্কী ওইনা লৈখিরোই।

নেস্নেল দিজাষ্টর রেপোন্স ফোর্সকী টিম অমা কমলপুর সব দিভিজনগী শোক্লবা মফমশিংদা চঙশিনখ্রে। নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা মরম ওইরগা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি মীশি মীনা অমদি অশোক অপন থোকহনবগী চপ চাবা পাউ লৈত্রি। পনবা য়াবদি ইন্দিয়ন মেটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা মথং থাগী ২ ফাওবা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা অখাক অরাও য়াওনা অকনবা নোং চুখিগনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রে।



আই জি এ আর (সাউথ) কী মীৎয়েং মখাদা কৈথেলমানবী বটালিয়নগী ৯ সেক্টর অসাম রাইফলসনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা লিলোং এ আর কম্পনি ওপরেটিং বেজতা পাঙথোকখিবা সেক্যুরিটি কো ওর্দিনেসনগী থৌরমদা শরুক য়াখিবশিং

# এ আরনা দ্রগ লল্লোনবা মীওই ২ ফারে

আইজোল, মার্চ ৩১ (এজেন্সী):

মিজোরামদা অসাম রাইফলসনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক মপুং ফানা থিংনবা চঙশিল্লকখিবা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা ঙসিসু দ্রগ লল্লোনবা মীওই অনী হেরোইন গ্রাম ৯৪ গা কোন্ননা ফারে হায়রি।

আইজোলগী মনুং চন্না লৈবা বোংকাউন্দ সালোম ভেংলাইদা লোনা য়াদবা মওংদা মীওই খরনা দ্রগ লল্লোনবগী থবক পাক শান্না চথরে হায়বগী অকক্লবা পাউ অমা ফংলবা মতুং এ আর পর্সনেলশিং অমসুং ষ্টেট এক্সাইজ এন্দ নার্কোটিক দিপার্টমেন্টকী অপূনবা টিম অমনা মফম অদুদা চঙশিন্দুনা থি হুন্বগী থবক চথুখি। মদুদা নুপী অমা য়াওনা মীওই অনী দ্রগকা কোন্ননা ফাবা ঙমখিবনি।

আইজোল বটালিয়নগী ২৩ সেক্টর অসাম রাইফলসনা ফাগৎপা ঙমখ্রবা হেরোইন অদু মার্কেটতা লুপা লাক্ষ ৪২.৩ রোমগী ওইগনি হায়রি। অমরোমদা চম্ফাই দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা মুৱালকাৱিদগী অসাম রাইফলস পর্সনেলশিংনা ইন্দো-ম্যান্মার ঙমখৈগী শরুক্তা লোনা য়াদবা মওংদা পুশিল্লকখিবা মপান লমগী চুরুট কেস ৩৫ ফাবা ঙমখ্রে।

অসাম রাইফলসনা ফারবা মপান লমগী চুরুটশিং অদু মার্কেটতা লুপা লাক্ষ ৫৮.৫ রোমগী ওইগনি। অসাম রাইফলসনা ফারবা পোৎলমশিং অদু কষ্টম দিপার্টমেন্টতা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

হৌখিবা মার্চ ২৯ দসু অসাম রাইফলস অমসুং মিজোরাম পুলিসকী অপূনবা টিম অমনা কোলাসিভ দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা কাউন্দপুই ভেঙথরদগী মেথামফেটমাইন টেব্লেট ২,৪১,৯০০ ফাবা ঙমখি। ফারবা টেব্লেটশিং অদু মার্কেটতা লুপা ক্রোর ১২.০৯ রোম ওইগনি হায়রি। টেব্লেটশিং অদুগা কোন্ননা মীওই ২ অমসু এ আর পর্সনেলশিংনা ফাবা ঙমখ্রে। ফারবা মীওই ২ অদু মরী লৈনবা পুলিস দিপার্টমেন্টতা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

# শেঙ্গা থুমজাদা চেন্নবা ওফিসল অমসুং ব্যুজিনেসমেনশিং চৈরাক পীরগনি: ঐচ এন এল সী



শিল্লোং, মার্চ ৩১ (এজেন্সী):

হাইনিট্রেপ নেস্নেল লিভরেসন কাউন্সিল (ঐচ এন এল সী) না মেঘলয়াদা লৈরিবা শেঙ্গা থুমজাদা কা হেন্না চেন্নবা গভর্ণমেন্ট ওফিসলশিং অমসুং মীয়ামগী হক মৎলগা ব্যুজিনেস তৌরিবা মীওইশিংগী মথক্তা অকনবা এক্সন লৌরগনি হায়না কিহল্লকপগা লোয়ননা করিগুম্বা মখা তানা শেঙ্গা থুমজাগী অহেনবা থবক চথরক্লবদি শিবগী চৈরাক পীগনি হায়না কিহল্লকখ্রে।

হীরম অসিগা মরী লৈননা কাউন্সিল অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি সাইনকুপার নোংত্রোনা ফোঙদোকখিবদা মেঘলয়াদা শেঙ্গা থুমজাগী থবক তৌরিবা গভর্ণমেন্ট ওফিসলশিং অমসুং লোনা য়াদবা মওংদা লল্লোন ইতিক তৌদুনা অহেনবা পৈশা তাল্লিবা মীওইশিং মশক খঙদোক্লবা কাউন্সিল অসিগী ওইবা টিম অমা শেমখ্রে।

খাসি, রি ভোই দিষ্ট্রিক্ট অমসুং জাইন্টিয়া হিলসতা লৈবা তোঙান তোঙানবা প্রাইভেট সেক্টরশিং অমদি গভর্ণমেন্টকী ওইবা দিপার্টমেন্টশিংদা করপসনগী ওইবা থবক কয়া চথরে হায়বগী কমপ্লেন কয়া লূপ অসিদা লাকপদগী চেন্নরিবা মীওইশিংগী মথক্তা এক্সন লৌনবা ফিরেপ লৌখিবনি।

মীয়ামদগী নম হাদুনা অমদি অরানবা প্রোপেগন্দা কয়া শন্দাক্নুনা সিমেন্ট কম্পনিশিং, কোক ফেক্টরশিং অমসুং ইন্দষ্ট্রিএল য়ুনিট খরনা চাওরবা শেনফম কয়া খোমগৎলি। হায়রিবা কম্পনিশিং অসিগী মথক্তসু লূপ অসিনা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা খূৎ থাবা হৌরগনি হায়রি। নোংত্রোনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ব্যুজিনেসমেনশিং অমদি গভর্ণমেন্ট ওফিসলশিংদা হীরম অসিগা মরী লৈননা অইবা চেপীদুনা খঙহনখ্রে হায়রি।

# অসাম মীয়ামগী অপাম্বা মতুং ইন্না থবক তৌগনি: রাহুল

গুৱাহাটি, মার্চ ৩১ (এজেন্সী):

অসামদা হৌজিক হৌজিক পাঙথোক্লিবা এসেম্বলি ইলেক্সনদা কোংগ্রেসনা মায় পাক্নুনা লৈঙাক শেম্বা ঙম্লবদি অসাম মীয়ামগী অপাম্বা মতুং ইন্না থবক তৌগনি হায়না কোংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধীনা ফোঙদোরক্লি।

অহুমশুবা ফেজকী ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা অসাম এসেম্বলি ইলেক্সনগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা কেম্পেইন অমদা রাহুল গান্ধীনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা করিগুম্বা অসামদা কোংগ্রেসনা লুচিংবা লৈঙাক শেম্বা ঙম্লবদি বি জে পিনা পাঙথোকপা ঙমখিদবা থবক কয়া পাঙথোক্কনি অমদি মীয়াম্না পামদবা সী এ এ ষ্টেট অসিদা ইমপ্লিমেন্ট তৌহল্লোই।

অসামগী মীয়ামগী অপাম্বা মতুং ইন্না থবক তৌগনি। কোংগ্রেসনা মীয়ামদা ফোঙদোল্লিবা ৱাফম অসি বি জে পিগুম পাঙাঙদা ঙাঙবা নত্তে। অসামগী মীয়াম্না করি পাম্বগে হায়বদু পার্টি অসিনা মুন্না খঙই হায়রি।

অমরোমদা হৌজিক হৌজিক পাঙথোক্লিবা এসেম্বলি ইলেক্সন অসিদা বি জে পি চাওনা মায়থিরগনি। অসাম খক্তা নত্তনা বেঙ্গলদসু বি জে পি ঈকায়বা নংলগনি। ৱেঙ্গ বেঙ্গলদা বি জে পিনা লৈঙাক পায়বা ঙল্লোই হায়বা খঙবদগী বি জে পিগী লুচিংবশিং অসামদা থোমজিনবা হৌরকখিবনি। ঙল্লিঙৈ মতমদা বি জে পি লুচিংবশিংনা অসামদা লাক্নুনা লমদম অদুগী মীয়ামগা উন্নদুনা ৱারী শাখিবা লৈতে। অদুমওইনমক ইলেক্সনগী মতমদা লাক্লিবা অসিনা তাকপদি মশাগী ওইজবা থিবা অমদি ভোটকী খল্লগা লাকপনি হায়বসি হায়মনবা থোক্লোই।

# ‘বি জে পি লৈঙাক্না অতম্নবা নহাশিংদা নোংমৈ কাপখি’

গুৱাহাটি, মার্চ ৩১ (এজেন্সী):



হৌখিবা কুমজা ২০১৯ গী দিসেম্বর থাদা সিটিজেনসিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট (সী এ এ) কী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিনখিবা অসামগী নহা কয়াদা পুলিসনা অতম্ননা নোংমৈ কাপখিবা অদু ষ্টেট অদুদা লৈরিবা বি জে পি লৈঙাক্কী ওর্দর মতুং ইন্ননি হায়না কোংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধীনা ফোঙদোরক্লি।


মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা বি জে পি লৈঙাক্না অতম্ননা সী এ এগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিল্লিবা নহাশিংদা নোংমৈ কাপনবগী ওর্দর পীখি হায়বসি খুদিংমক্না খঙনরবা ৱাফম অমনি। থৌদোক অদুদা মীওই মঙা শিখি। অসামদা লৈরিবা মীয়াম্না সী এ এগী মায়োক্তা লেপ্পুনা লৈরি। অদুমওইনমক সেন্তর অমসুং ষ্টেট অনীমক্তা লৈরিবা বি জে পি লৈঙাক্না নমফুদা সী এ এ ইমপ্লিমেন্ট তৌনবা হাৎনরি। মসি য়াম্লমক লাইবকথিবা থৌওং অমনি।

সী এ এগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিনখিবা নহাশিংদা অতম্ননা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদু অসামগী মীয়ামদা ওনশিন্দুনা কাপ্পগা চপ মান্নে। হৌজিক হৌজিকসু অসামদা বি জে পিগী মেনিফেষ্টো ফোংবা মতমদা সী এ এগী মতাংদা ৱাফম অমত্তা পন্দে। বি জে পিগী লুচিংবা অমিত শাহনসু মতমগী মতুং ইন্না অসামদা সী এ এ ইমপ্লিমেন্ট তৌগনি হায়না ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে। মসিনা তাকপদি বি জে পি লৈঙাক অসি মীয়ামগী খন্দবা মশাগীতা খনবা লৈঙাক্লি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা করিগুম্বা বি জে পিনা অমুক হন্না অসামদা লৈঙাক পায়বা ঙম্লবদি হৌখিবা চহী ৫ দা পাঙথোকপা ঙমখিদবা থবকশিং পাঙথোক্লবা হোৎনগনি হায়না লাউরি। অসামগী মীয়াম্না মসিদা কাওরোইদবদি বি জে পি লৈঙাক্না করিগুম্বা অমুক হন্না চহী ৫ লৈঙাক পায়রবদি মখোয়না মমাঙগী টার্মদা থবক ওইনা ওন্থোকপা ঙমখিদবা সী এ এ হন্দক্কী টার্মদা শুংশোই শোইদনা ইমপ্লিমেন্ট তৌখ্রগনি।

লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীয়াম্না বি জে পি লৈঙাক পামনদে। অসামদসু বি জে পিগী লৈঙাক অসি মীয়াম্না ইন্থুবা পাল্লে। অসামদা কোংগ্রেসনা লুচিংবা লৈঙাক লাক্লগনি খনবদা বি জে পিগী লুচিংবশিংনা অসাম মনুংদা তোঙান তোঙানবা ওইদবা ৱাফম কয়া মীয়ামদা হায়জিন্দুনা ভোট ফংনবা হোৎনরি। অদুবু লাক্লিবা ইলেক্সন অসিদা কোংগ্রেসনা লুচিংবা পার্টিনা অসামদা চাওনা মায় পাক্লগনি হায়না কোংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধীনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## CROSSWORD-3738




**ACROSS**

1 Not precise (10)
7 Opposed (7)
8 Pastimes (5)
10 Require (4)
11 One who makes a will (8)
13 Common, crude (6)
15 Custodian (6)
17 Response (8)
18 Joke (4)
21 Rope fibre (5)
22 Duo (7)
23 Below (10)

**DOWN**

1 Picture (5)
2 Unpleasantly moist (4)
3 Male parent (6)
4 Bedtime drink (8)
5 Enticed (7)
6 Meat-eaters (10)
9 Fortify (10)
12 Former French prison (8)
14 Relationship (7)
16 Natural fabric (6)
19 Historical era (5)
20 Settee (4)

**Solution 3737**



**SOLUTION ON NEXT ISSUE**

# HUEIYEN SUDOKU

**Hueiyen Sudoku-3537**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | | 5 | | 9 | | |
| 6 | 8 | | | | | | 1 | |
| | | | 8 | 4 | | | | 2 |
| | | 8 | 7 | | | | 5 | 3 |
| | | 6 | 5 | | 2 | 7 | | |
| 4 | 5 | | | | 8 | 6 | | |
| 1 | | | | 8 | 7 | | | |
| | 4 | | | | | | 7 | 1 |
| | | 9 | | 2 | | | | |

**Solution-3536**

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | 4 | 2 | 9 | 8 | 5 | 3 | 6 | 7 |
| 5 | 8 | 9 | 6 | 7 | 3 | 4 | 2 | 1 |
| 3 | 6 | 7 | 2 | 1 | 4 | 9 | 8 | 5 |
| 8 | 9 | 5 | 4 | 2 | 7 | 6 | 1 | 3 |
| 4 | 3 | 6 | 1 | 5 | 8 | 7 | 9 | 2 |
| 7 | 2 | 1 | 3 | 9 | 6 | 8 | 5 | 4 |
| 6 | 5 | 8 | 7 | 3 | 1 | 2 | 4 | 9 |
| 2 | 1 | 3 | 8 | 4 | 9 | 5 | 7 | 6 |
| 9 | 7 | 4 | 5 | 6 | 2 | 1 | 3 | 8 |

# EMPLOYMENT NEWS

Kerala Postal Circle GDS Recruitment 2021: Kerala Post Office has published recruitment notification for the posts of Gramin Dak Sevaks (GDS) for fill up 1421 Vacancies in the Kerala Circle 2021. The Kerala Post Office GDS 2021 online registration will be open from 8th March to 7th April 2021.
KERALA CIRCLE NOTIFICATION FOR THE POSTS OF GRAMIN DAK SEVAKS CYCLE – III/2020-2021
Name of the Post
Total Vacancies
Gramin Dak Sevaks (GDS)
1421
Vacancy Posts: Branch Post Master, Assistant Branch Postmaster (ABPM), Dak Sevak.
Age Limit:
18 to 40 years as on 8th March 2021
Age Relaxation - 05 years for SC / ST, 03 years for OBC, +10 years for PWD (PH) Category Candidates.
Educational Qualification:
Secondary School Examination pass certificate of 10th standard with passing marks in Mathematics, local language and English (having been studied as compulsory or elective subjects) conducted by any recognized Board of School Education by the Government of India/State Governments/ Union Territories in India shall be a mandatory educational qualification for all approved categories of Gramin Dak Sevaks.
Eligibility:
Compulsory knowledge of Local Language (Malayalam).
Computer Knowledge: The candidate should have computer knowledge and will be required to furnish basic computer training certificate for at least 60 days from a recognized Computer Training Institute. The requirement of basic computer knowledge certificate shall be relaxable in cases where a candidate has studied computer as a subject in Class X or Class XII or higher educational qualification provided the candidate submits a certificate of Class X or Class XII or higher educational qualification in which he/she has studied computer as a subject.
Knowledge of Cycling.
Job Residence: The selected candidates must mandatorily take up his/her residence in the Branch Post Office village within one month after selection but before engagement as Gramin Dak Sevak Branch Postmaster. The candidate shall submit a declaration to this effect in the application. The candidate selected for the post of other than GDS BPM should reside in post village/delivery jurisdiction.
Selection Process:
No Written Test and Interview.
The selection completely based on 10th Standard Marks. No weightage will be given for 12th Marks / Degree or Post Graduate Marks or higher educational qualification.
Only marks obtained in 10th standard of approved Boards aggregated to percentage to the accuracy of 4 decimals will be the criteria for finalizing the selection.
Application Fee: ? 100/- for General (UR) / OBC Category Male Candidates only. The fee should be made through any Head Post Office in Kerala State. For making the payment candidate should inform Registration Number at the PO Counter. There is no fee for all Female and SC and ST Candidates.
How to Apply: Eligible Candidates apply online will have to register himself in the AP Post Portal with the basic details to obtain the Registration Number. The closing date for submission of online registration is 07/04/2021. Only one Registration is allowed for one candidate. The same registration number should be used for submission of applications during the cycle to any of the circles. Mobile number mapping is mandatory for Registration.

Odisha Teacher Recruitment 2021: Odisha Public Service Commission (OPSC) invites online applications from eligible candidates for recruitment to the posts of Post Graduate Teachers (PGT) under Science Stream in Group 'B' of State service for the Higher Secondary Schools functioning SC and ST Development Department. The online registration process will be start from 24th March 2021 to 23rd April 2021.
ADVERTISEMENT NO. 12 OF 2020-21
Name of the Post
Total Vacancies
Post Graduate Teachers (PGT)
139
Vacancy Positions:
Physics - 22
Chemistry - 23
Zoology - 14
Botany - 11
Mathematics - 21
Odia - 27
English – 21
Age Limit:
21 to 32 years as on 1st day of January 2021
He / She must have been born not earlier than 2nd January 1989 and not later than 1st January 2000.
Pay Scale: Pay Band of ? 44,900/- in Level 10 of Cell-1 under ORSP Rules, 2017
Educational Qualifications:
Master's Degree (Post Graduate) in concerned subject from a recognized university with at least 50% marks in aggregate. (OR) Post Graduate M.Sc. course from Regional College of Education NCERT in the concerned subject with minimum 50% marks in aggregate.
B.Ed. or equivalent degree recognized university.
Exam Fee:
A Non refundable fee ? 500/- only for General and OBC category candidates.
No fee for SC, ST of Odisha and Person with Disability.
Selection Process:
Written Examination
Viva Voce Test
How to Apply: Eligible candidates must apply online through OPSC Online Portal (opsc.gov.in) from 24th March 2021. The last date for registration of online applications is 23/04/2021 up to 11:59 PM.

OPSC Scientific Officer Recruitment 2021: Odisha Public Service Commission (OPSC) Invites online applications from eligible candidates for recruitment of Scientific Officer (Group - B) in the State Forensic Science Service Organization under Home Department. The online registration will be start from 4th March 2021 to 5th April 2021.
Advertisement No. 10 of 2020-21
Name of the Post
No of Vacancies
Scientific Officers
22 (Women – 06)
Age Limit:
Minimum Age Limit - 21 years as on 01/01/2021.
Maximum Age Limit – 32 years
Pay Scale: Rs 544,9006,100/-, in Level 10, Cell-1
Educational Qualification: Master's Degree (Post Graduate) in relevant subject (Chemistry / Physics / Zoology).
Selection Process:
Interview (50 Marks)
Career Marking (100 Marks)
Examination Fee:
400/- for General / OBC category candidates.
No fee for SC / ST/ Female Candidates / PWD / Ex-Servicemen.
The fee should be made through online mode using Debit Card / Credit Card / Net Banking Facility.
How to Apply: Eligible Interested candidates must apply online through OPSC official website @ www.opsc.gov.in from 4th March 2021. The last date for registration of online applications is 05/04/2021 up to 11:59 PM. The last date for submission of registration online applications is 12th April 2021.

